# মালেমসিদা লৈনরিবা লাইনীং খুদিংমক অহোংবা লাকখিবা ঙাক্তনি, অদুমকপু পুৱারী অমসুং পাওরৌশিংদি শেমদোক্লোইসি - ১

- খুন্দোংবম কুমার -

ঐখোয়গী ইরমদমসিদা হৌখ্রবা চহীচাশিংদা পাল্লমখিবা মৈদিংঙু খরবু লাইনীং লম্বীরোমদা মীৎয়েং থমদুনা অশেম্বা ৱারী লাইরিক কয়া শাগৎলকপদা অৱাংবা থাক্কী মহে মশীন হৈরবা ডাক্টরেট দিগ্রি ফাওবা ফংলবা মীশক কয়াগী খূৎ য়াওশিল্লকপসিদি করিসু লৈতবা ঐহাক্নবু করিবুদি তৌজবা ঙমগনি। হৌখিবা ঙল্লিঙৈ মতমগী পুৱারীগী পাওরৌ খরবু শেরান্ননা ৱাহন্থোক পীরম্বগী ৱাফমদা লাকচগে, ঙসিগী মীয়াম্না মরু ওইনা নহারোলশিংনা নৈনবীবগা লোয়ননা ৱারেপ লৌবীয়ু।

অহানবমক্তদা 'মৈনা ৱাই তাংনা শম' (ফিজং মরুমদা, এম জয়চান্দ লুৱাং, লৈফম ফজনা তাক্তে) গী ৱাফমদা হায়রিবনা - পুয়াশিংবু মৈনা ৱাইহনখ্রগা মীগীদা হায়বদি মীতোপ্তা মথং মথং তাংদুনা শমজিন্নখিবনি অসিনি। অদু ওইরবদি ঔৱাশিংনা মণিপুরদা কয়ারক হন্না লান্দাশিল্লকখবা অদুদগী অমুকসু চহী তরেৎ খুন্তাকপা (কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৫ ফাওবা) নচিংবদা মৈত্রবাক মণিপুরগী লাঞ্জেন্নখ্রগা কছাড়দা, অসামদা, ত্রিপুরাদা, বাংলাদেশতা চংজফম লৌদুনা মথং মথং তাং তাংদুনা ইতোৎ তোৎশিন্নদুনা নৎত্রগা তৈশিন্নদুনা ঙসিগী মীরোলসি ফাওবদা হিংনরিবা মীশিংবু 'মীতৈ' হায়গদ্রা? হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদা 'মীগী লমদা তাংদুনা লৈখিবা মীশিং অসিবু 'মীতৈ' হায়না খঙনবনি হায়বা ৱাফমসি শোয়দনা লাকফম থোকই। অদুবু ঐহাক্তি অদোমদা চঙশিঞ্জরোই মরমদি মৈতৈ/মীতৈগী ৱায়েৎতা ইতিক লৈজদে।

মালেমসিদা ইহান হেক হান্না মী লৈবা হৌনরকখিবা অদুদগী মীশিংনা কমদৌনা কদাইদগী 'মৈ' পুথোক্লরকখিবগে হায়বগী ৱারী কয়া লময়ানবা থিজিল্লোয় কয়াদগী তানরে। ঐখোয় পোইরৈ ইরমদমসিদসু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা মৈ পুথোকপগী লৌশিং লাক্তুনা মৈ লিংদুনা মৈথাং লৌদুনা মথং মথং (তাং/তাং) শমথনরকই। অসুম্না যুম্ফম অমা, মৈফম অমা মরী-মরী মৈথাং লৌনদুনা লৈমাবা/লৈমাবী পানবা খুন্নাই অমা ওইনরকখি, অসুম্না "মৈনা ৱাই তাংনা শম' হায়বা পাওরৌসি থোক্লককখ। পাওরৌসি অতোপ অতোপ্পা হীরম কয়াদসু শীজিন্নবা থেংনৈ। খুদম অমত্তং পঞ্জরমগে, অদুঙৈ মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজনা রমান্দি লাইনীং লৌখিবা হাক্তক্তা মহাক্না মপাবুং মৈদিংঙু চরাইরোংবনা হৈরম্বা লাইয়িংথৌ সনামহীগী শক্তম থুগাইরুবদগী লাইয়িংথৌগী মশেক মঙালনা মৈদিংঙুদা তেনবাল্লকখি। অদুদগীদি মৈদিংঙুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক পুন্নমক্কী যুমথোঙ খুদিং খাক্তনা লাইয়িংথৌ সনামহীগী শক্তম শেমগৎনবা তরেৎ শেঞ্জা খায়হন্নবা য়াথং তাওথরম্মী। অসুম্না পোইরৈ যুম্বুরেন খুদিংনা মানা মানা ঙমজবা তরেৎ শেল খায়নদুনা লাইয়িংথৌগীদমক্তা সনা খুয়াখাদা কৎচখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মৈতৈ লৈবাক পুন্নমক্কী য়াইফ মহয় য়ান্ননবা হৌদোক্লম্বা থৌরাং থৌনি অসি "মৈনা ৱাই তাংনা শম" হায়বা পাওরৌগী ৱাফমসিসু চৎনবী ওইনা থোক্লকখি।

ৱাফম অমনা - মৈত্রবাক্তা হিন্দু লাইনীং লৌখিবা ইহান হেক হানবা নিংথৌদি পামহৈবগী মপাবুং মৈদিংঙু চরাইরোংবনি। কুমজা ১৭০৪, শজিবু ৫নি পানবা নুমিৎসিদা মৈদিংঙু (চরারোইবা) মশামক্তা নত্তনা মচা মনাই কয়ামরুমসু মতমদুদা শক্ত লাইনীং লৌখি (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমায় ৬৮)। অদুগা হিন্দু লাইনীংগী মমি তাখিবদি মৈদিংঙু ক্যাম্বা (কুমজা ১৪৬৭-১৫০৮) গী হাক্তক্তগীনি হায়বসিমদি ইখঙ খঙনরে।

মৈতৈ হায়বা ৱাহৈসি কাঙলূপ অমবু শক্তাকচবনি অদুগা মৈদিংঙু/মৈতিংঙু/মৈতেংঙুনা কাঙলূপ্তুগী লুচিং পুরেলনি/নিংথৌনি খঙনদুনা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী লাকখ্রে। লোয়ননা ঐখোয়গী লৈবাকসিবুসু পোইরৈপাক নৎত্রগা ৱাংঙম মৈতৈ লৈবাক হায়দুনসু থেংনরকখিবা ঙাক্তনি। মৈ/মৈফম লিংদুনা অমদি মৈথাং লৌনদুনা অমসুং ঈশিং য়োক্লবা তু খোং শেমগৎতুনা খুনবী খুনফম মপী মপা নাইনা পান্ননবা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল থাদদুনা অশানবা মীৎয়েং উরকখিবা মী কাঙলূপ অমসু মতমদুদা শাফোঙলকখি। মখোয়শিংদুবুনি ৱাংঙম মৈতৈ নিংথৌজা সলাইগী কাঙলূপনি হায়বসি থেংনবীগনি। অদুগা সলাইশিংগী হৌরকফমগী ৱারী কয়াদি পাক চাউখিবনা ইতিক ওইজদ্রে।

নমথাক্কী ৱাশেম লাইরিকশিং (মথক্তা পঞ্জখ্রে) না করি হায়রি - মতমদুগী হিন্দু লাইনীং লৌখিবা মীতৈশিংনা মখোয়গী মমায়দা, নাকচিনা, নাহুমদা, পুক্তা চন্দন্না পংতৈ তৈশিনবা উরুবদগী 'মায়তৈ' কৌরম্মী, কায়নথংদা মৈতৈ (ময়তৈ) হায়না খঙনখি অসিনি। অসিগুম্বা মীতৈদগী মৈতৈ ওল্লকখিবনি হায়বা কাতু কারনগী অমদি করেম কথাইনবগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা লাইরিক ওইনা ফোঙনরকপা/য়োন্নরকপসিনা লাইনীং অমনা লাইনীং অমবু শিংনবরোমদা লাক্কনি। অদুগা ইজরিবা ঐহাক্তি 'মীতৈ' নৎত্রগা 'মৈতৈ' করম্বনা চুম্মী/লাল্লি হায়বদা নৈনজবা নৎচদে।

অতোপ্পা অমনা, মরম ইচা চাদনা পাওরৌ অমমুক শাগৎলকই। পাওরৌ অদুদি - "পাওনম হিদেন মপান্দা ফৈতা হিতং মসুমাংদা তরেৎ সেনপুং য়ৈবদি ৱাংলেন পুংজাও ফুবদি সনা লিক্লাই মরূগী তুবী মরূ থাবদি হৌদেদো শেনবী মুকাক্লে মরূনা থাবদি হৌরেদো (ফিজং মরুমদা)" হায়রিবা পাওরৌ ওই করি ওই তৌবা ৱাহৈশিংসি মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজ (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) গী হাক্তক্তা থোকখবা থৌদোক অনীগী পাওরৌবু মহাক্কী মপাবুং মৈমিংঙু চরাইরোংবগী মতমদা পুখৎলক্তুনা সাপম চনু নুংথিন চাইবীবু পাউথোকপীবদা চান্ননবা শেমজিনখিবনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী থৌদোক্তুগী পাওরৌদি - "পাউনম ঈরেন খোংবান্দা ফৈতা হিদেন মসুমাংদা তরেৎ শেনফাং য়ৈনা ৱাংলেন পুংজাও থিনবদি করিগী পুঙখোলনো হংববু তুবী মরূ মাঙখরে" (সরাংথেম বরমনিগী মৈতৈ নিংথৌরোল) অসিনা তাক্লিবদি অসিনি - মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মহাক্কী মনাওশিং (১) খম্লাং পনশাবা ৱাংখৈরাকপা (২) মুংয়াম্বা খুরাইলাকপা অনীসি মৈদিংঙুগী মথক্তা ফম্বাল মুন্নবগী লান হৌরক্তদৌরে চিংনখি। অদুদগী অহিং অথেংবদা লানগী লানপুঙ য়ৈদুনা তুসুক লান হৌরক্লে লান্থেংনরুসি হায়দুনা অমমমতা ওইনা কৌথোক্তুনা হাৎখি। মতমদুদা খঙহৌবা উহৌবা মীশিংনা চিন কাঙথোকপা য়াদবনিনা মথক্কী ৱাহৈশিংসি পাওরৌ ঈশৈ ওইনা শকখিবনি। হায়রিবা পাওরৌ ঈশৈসি শেমদোক শেমজিন তৌরগা নুংথিন চাইবী অমসুং হিষ্ণু গোষামী কৌবা ময়াং লম্বোইবা অমগা অহিং অহিং লৈমিন্নৈ হায়জিন্দুনা নমথাক্কী পুৱারী অমা শাগৎতুনা মৈদিংঙু পামহৈববু মুকাক্লে মরূনি হায়জিনখিবনি। অসুম্না ওন্ন-তৈনবা চানদবা পাওরৌ অমা শাগৎলকই। তরেৎকী সেলপুঙ য়ৈবা ৱাংলেন পুংজাও য়ৈবা/ফুবা হায়বসিদি মতমদুদা লান লাকপগী লান্থেংনবা চৎনবগী নিংথৌগী য়াথং তাওথবনি।

মৈদিংঙু পাইখোম্বা (কুমজা ১৬৬৬-কুমজা ১৬৯৭) গী সনা হাক্তক্তা মৈদিংঙুচা চরাইরোংবনা নুংথিন চাইবী পান্নরগা কুমজা ১৬৯০ দা (১) পামহৈবা/নিংথেম ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ অদুগা কুমজা ১৬৯৫দা (২) নিংথেম লোইয়াম্বা য়াইমা পোকখি (চৈ: কুম্বাবদা থবানদি য়েংবীয়ু)। হায়রিবা মতমসি চরাইরোংবা নিংথৌ ওইদ্রি, মহাক্তি কুমজা ১৬৯৭তা মশাগী চহী ২৫দা মৈত্রবাক্কী ফম্বাল লাংখিবনি। লাইবক থীবদি নুংথিন চাইবীদি মনুং মতম চাদনা কুমজা ১৬৯৬তা লৈখিদ্রে, লৈমরেম্বী ওইবা ফংখিদে (চৈথারোল কুম্বাবদা তশেং তশেংনা য়াওরিবনি)। অদুগা নুংথিন চাইবীগী মচাইবুংঙো নিংথেম লোইয়াম্বা য়াইমবদি ময়াম্বুং পামহৈবনা নিংথৌ ওইরবা মতম কুমজা ১৭১৩ দা লৈখিদে (চৈ: কুম্বাবা) হায়বদি মহাক মশাগী চহী ১৮ ফাওবা হিংদুনা ময়ূম মকৈ পান্দুনা চাদাশিং থল্লল্লিবনি। মহাক্কী চাদাশিংনা অতোপ্পা যুম্নাক শাগৈ পীথদুনা লৈনখিবগী ঈ-পাউ লৈরিবনি, থিজিনবীয়ু। পুন্নমকসিগী ওন্ন-তৈনবদা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা লৈবাক নৎত্রগা উৎ ওনখ্রবা নুংথিন চাইবীসি কদাইদগীনো হিংনা অমুক পুথোক্লক্তুনা চোথে খুল্লাকপগী মমোম ওইনা অমুক লৈহল্লি, মরাম খুল্লাকপগী অয়োকপী মচানুপী অমুক ওই অসুম্না মৈ: চরাইরোংবগা অমুক থেংনহল্লি। অদুদগী অমুক থাঙ্গালদা অমুক থৈহল্লি, অমুকসু পামহৈবনা মপাবুং মৈ: চরাইরোংববু শগোলবন্দ খোংনাং মখোঙদা তানা থিন্দুনা হাৎলি অমুক হায়জিল্লি। মতমদুদা নুংথিন চাইবীদি চহী ১৫গী মমাঙদা শিখ্রবনি, অদুগা মপুরোইবা মৈ: চরাইরোংবা হাৎপগী শরৌ শিনবদা অমুক য়াওহল্লি। মতৌ অসুম্না খূৎশেমগী পাওরৌ অমা শেমগৎতুনা মৈদিংঙু চরাইরোংবা অমসুং নুংথিন চাইবী অনীবুসু পাউথোকপীদুনা পুৱারী (ইতিহাস) বু মথক মখা ওম্থোকই।

অসিগুম্বা খূৎশেম হৈবা মাইচৌ/মাইনৌ শাবা পন্দিটশিংদুবুদি তাইবঙ মপুগী অচুম্বা ৱায়েলগী চৈরাক ফংবা ওইজরসনু। ●

# লাংবন থৌনিরোল

- হিয়াং ইবোমচা মীতৈ সরাংথেম্বা -

মৈতৈ ইপা-ইপুশিংনা লুনা চান্না চৎনরিবা থাজা ১২গী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা থা অহুমখক লৈএ। হায়রিবা থাশিং অসিদি অচম্বা থা নত্তে এ, লেপ্না খঙও! (১) ইঙা (২) লাংবন (৩) পোইনু অসিগী মনুংদগী লাংবন থাবু লৌখৎচগে। লাংবন থা : অসুম্না তেংপানবা মপুনা থৌচৎ-থৌয়াঙ য়াম্না ৱানা শেম্বীরকপা তাইবঙ ওইবা অদুবু লাংপুমবা ঙম্না লোইশিল্লে হায়বগী লোইদম থাজা অদুগী কোলোয় মিংবু লাংপুম লাংজবা 'লাংবন ও' হায়না কোল্লোইনৈ এ।

মরমসি লৈবনা নহালনোং কোরৌ নোংকা লম্বী তাখ্রবা-বীশিংবু থানুংসিদা হৈশোই ইপাল তমজবদি লেম্না মাঙফদবা তেংবানবা মপুগী শিদা ময়াথংনে। লুক চনবা ওইরগনা ১, ৩ চনবা য়াই। লুক য়াওদবা ওইরগনা ইচানা-ইশুনা পুরক্লিবা অদুম্মগা লোয়ননা ঙমজবা হৈরাং লৈরাংশিংনা তমজবদি লেপ্নমক ইপা-ইপুবু য়াইফ থোইবা ওইহনবীদুনা কচ্চবগী মহয় ফংজৈ এ। খঙও তাইবঙ মীওইবা! হৈশোই ইপান কৎচবা খুদিংগী কোরৌদা অশি থোঙ থিংবীবা কাউবিরোইদবনি; ইচা-ইশুনা পুরকপা হৈরাং লৈরাংনা তমজবনা মহয় চাউই হায়না পুয়ানা হায়রি; মসিদি অখঙবা অহৈবা পিবারেনগা তানরগা তৌবীয়ু।

নুমিৎ খুরুম্নদুনা অশি থোঙ থিংবা অসুম্না তৌরবসু য়াই :- নুমিৎতা হান্না কৎতুনা খুরুম্বা-

লৈৱা : ইপুরোই অপোকপনা মালেম শেম্বদা মঙাং শিদবা ইপুধৌ নহাক্কী নঙালনা ইহান হান্না ফাওরকই হায়দুনা ইপা ইপুনা নহাক্কী মিংখৈবু 'হনু অহন' হায়না কৌই। ঙাংলৈনা তরু ঙাংনা খোঙদোইরকই হায়দুনা মঙাং কৌই। লুৱাং শিদবা ইপুধৌ নহাক্কী নঙাল অদুনা লুনা ৱাংনা মপূং ফানা নোংমদোন থক্তা শিন্না থুংনা ঙাম্থোকই হায়দুনা ইপা-ইপুনা নহাক্কী মীংখৈবু 'হনুকোকচাও' হায়না কৌই। লুনা ৱাংনা থোকই হায়দুনা লুৱাং কৌই। খুমন শিদবা ইপুধৌ নহাক্কী অমম্বা নঙালনা মালেম শিন থুংনা অমম্বনা অঙানবগী মঙালবু মালেম শিন থুংনা মমখি হায়দুনা ইপা-ইপুনা নহাক্কী মিংখৈবু 'হনু লৈখম' কৌই। খুনা মমনা তাখি হায়দুনা খুমন কৌই। মিংখৈ অসি শোন্দুনা কোরৌথক্তা য়েংদুনা অশি ১০৮ থোঙ থিংবা অচং ১০৮ থোঙ থিংবিয়ু হায়না তাইকনিএ লেপ্না খঙও।

অপোকপা থৌনিরোল : খ্বাং নিংমাংলোইনি, পাখঙবা সলাইনা কংলা কংলৈ পুংকোইরেন্দা ফম্বাল মতাইঙৈনে। মপুরেন ওইবনা কংলৈ মপু মৈদিংঙু লাইগী অহানবা কংলৈ ফম্বাল লাংএ। কোরৌ লংদাইকোন্দা, সলাইচাদি নমু পোং মকৌনা সলাইদা পাখঙবনা মহাই। তারো সলাইচাদি নমুপোং ও! খোয়ুম লাই ওইপা সলাই পোকলেম্বা লাইতি নমু পোং নাখোইকা থানবা য়াদবা লাইনি। পোকলেন অহেনবা পুথাংলোনগী লাইনে। য়াৱালেন তাইপঙনা মতাইএ। তাইপঙ সলাইনা পাখঙবা মপুদা হংগৎচৈ এ, অপোকপা লাই ৭ কী করি কোল্লোই কৌবগে, অপোকপা লাই ৭ পু পুথোকপীয়ু মহাইএ, তাইপঙ পোং সলাইগী ৱাবু তাবদা পাখঙবা শিদবা লাইনা হোয়াবি এ, লাই অপোকপা ৭পু কংলা পুংকোই সলাই ইকোন নুংশোনদগী কৌথোকএ, অপোকপা লাস ৭ পাখঙবগী মনাক্তা লাকএ; পাখঙবনা অপোকপনা কোক নোঞ্জে এ, অপোকপা মপু ওইপা পাখঙবগী থৌশিল থৌদা ঙাইদুনা লৈ এ, পাখঙবনা নমু পোংবু য়েংনা মহাইএ, সলাই কোল্লোই মিংলেনদি মঙাং, লুৱাং, খুমন, মোইরাং অঙোম খাবা-ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম অপোকপা ৭তা সলাই নমু পোংনা থৌনিজখি এ, মাগী মাগী সলাই মশক খঙজখিএ।

সলাই ৭ মৈহৌরোল : কংলৈ পুংকোই মপুরেন পাখঙবদি সলাইনা, কংলা ফম্বাল লাংদুনা খোয়ুমগী লৈঙাক মপুরেন মওইঙৈনে। কংলৈ মপু লাই ওইপা পাখঙবনা পাইমা নুংলোন মতাইরক্লে। সংলৈতোন তাওরোই লাইরেন ওন্দুনা কৌবা হালোই চীংমাইথেন্দা লৈএ; লাইওইপা লাংওনবা তাওলেইনা কংলৈ কংলাদা লাই (৭) লাংওন্দুনা কংলাগী পাখঙবা লাইগী কংলৈ কংলা লাইফমলেনদি, নুংলোন শুরুংদা খোয়ুম পোকলেম্বা লাই সলাই ওন্দুনা লৈখিএ: কংলৈ মপুরেন ওইপা সলাই পাখংপনা কংলাদা সলাইচাশিংপু সলাই শুনা কৌএ। কংলৈ কংলা পুংকোইরেন্দা সলাই (৭) খোংদোই নাহুইএ। পাখঙবা লাইদা সলাই পোংনা কোক নোঞ্জে এ। সলাই চাদি পোংবু থেংনা লাই মপু শিদবা সলাই পাখঙবনা সলাই ৭কী মৈহৌরোন পুৱারী মতাইন্না সলাই হৈনা তুংহঞ্জগে হায়জখি এ। লাই মপু সলাই পাখঙবনা হোয়বিখিএ।

লুক থোংলগা কৎনবা : হে ইপুধৌদি পাখংবা খোইলিলতিং তীল্লিকোক য়াইবিনিবু হায়রিবা ইবুংঙো তাইবঙ পানবদা লৈরিবা খোংলি লাউরিবা অসি খিবিক্লা মপা মশক খঙদববু মপা মশক খঙলে পা খঙলে পাখঙবা কৌয়ে ইবুংঙো। ইবুংঙোগী থৌজালদগী অসিগুম্বা সলাই শাগৈগী মনুংদা পোকচবা ননাইসু মপা মশক খঙলে পাখঙলেদো মপুও। ঙসি থাগী ... পানবা ... কোনবা নুমিৎকী য়াইফবা পুংফম য়েক্কী ... সলাইগী .... শাগৈগী ... নশু ইবুংঙো - নশু ইবেম্মা নচা ননাই ওইবনা মপু শিদবা লৈকোননুংদগী হেক্লকপা হৈরাং নিংথিবা লৈরাং অহেনবা শিঙেল চারোং অচুম্বা তাওজিং খূৎফাং নাইবা হৈগী হৈরাম্না হৈরাং পুংগাথোন, লৈগী লৈরাম্না লৈরাং পুংগা থোন্না, শুনা তিন্দুনা মথেল লুকোই লুক থেন্না কৎচরিয়ে মপুও। য়োল্লবা কাদা ঙাকপীয়ু, লাল্লবা কাদা কনবীয়ু, অয়োন অরান পুন্নমক লংজবা খিবিক কোকপীয়ু। ইবুধৌদি পাখঙবা খোইলিলতিং তীল্লিকোক য়াইপিরেন শিদবা ইবুংঙো। তিনকোক পীয়ু, লাইকোক পীদুনা পুন্সি নুংশাংবা পীনবিয়ু। অনা-অয়েক লৈহনবীগনু থৌজানবীয়ু, মপুনা।

মঙাং লাংবন থৌনিরোল : মৈনা ৱাই তাংনা শম, মী পোং লাই পূন্না লাংদাই শিংদাইনে, কোনবা চক্তা পাখঙবা লাংহৈকোননে। সলাইচাদি মঙাংনা অপোকপা লাইগী মাগাইফমলেনদি কংলা মঙাং সলাই সকোন্দা ইতমএ; সলাই পোংদি মঙাংনা অপোকপা লাইদা কোকনোঞ্জনা মহায়এ, হাদা সলাই পোকলেম্বা পোকলেম্বী ও, খোয়ুম লাই ওইপা অপোকপা নামুপোং মঙাং সলাইদা চাথাং, পুথাং, শুথাং নাইপা তাইপঙ মপোক ৭ লৈপ্পু থৌজানবীয়ু। মপোক ফংহনবীয়ু হায়না অপোকপা লাইদা থৌনিএ। অপোকপা লাই নমু পোংদা কুবিএ। অপোকপা লাই ওইপাদা সলাই পোংবু পোংহনবনা খোয়ুম থৌরম থৌদা ইঞ্জগে, থৌখাই মাবু তাকপীয়ু মহায়। অপোকপা সলাস মঙাংদা হায়পিএ। কুমদম থাদা খোয়ুম মী পাংকে সলাই মঙাংনা থৌনিও; লাংবন থাদা পুরোন ৯, পীরোন ৭, হৈসোই ইপান তাইরো, পানাও শিংনাও তারো। সলাই চাদারোন পোকলেম্বা নিও; সলাই চাদি পুন্সি পীএ, থৌরম থৌখাই পীরল্লগা অপোকপা নুংলোন হঞ্জিনখি সলাই মঙাংনা কোকনোঞ্জেএ।

লুৱাং লাংবন থৌনিরোল : লুৱাং লাইদি পোকলেম্বা মতিক ময়াই হেনলোইপনে। পোকলেনবা লাইপু সলাই পোংনা কংলৈ পুংময়োন কংলা সলাই ইকোন্দা চংদুনা থৌনিজবা অপোকপা লাইপু মকৌথোকএ। অপোকপা লাইনা লৈরোননুংদা লৈঙমদনা সলাই তাইবঙচাগী মগাইফমদা ফমদেংদুনা লৈএ, সলাই লুৱাংনা কোকনোঞ্জেএ। পোকলেম্বা সলাইদা সলাই চাদি নমু পোংনা মহায় এ! তাইবঙ সলাইচানা অপোকপা থৌসু থৌরম পাংজকে থৌখাই মপাংও, সলাই লুৱাংচাদা মহায়এনা। তারো নমু পোং সলাই ও, লাংপারো (লাংবন) থাদা পুরোন, পারোন, অপোকপা থৌসু থৌখাই মপাংও, সলাই চাহোংপনে। সলাই পোং মী হেনপনে খঙও। অপোকপা থৌখাই পাংবদি চাথাং শুথাং পূম্বা পুরোন পারোন খঙপানে। পোকলেন লাইদা থৌসু থৌখাই পাংকনি এ। কোরৌ লাইরমলেন্দা লৈপা পুরোন পারেন লাংপতনা হৈশোই ইপান থাবদি, নমু পোং লাইয়েৎনফরোই এ। য়াইফ পুরোন ফংবনে খঙও। য়াৱা অসি মতাইনা লুৱাং অপোকপা লাইকোন্দা হনজিনখি। নমু পোং লুৱাংনা কোকনোঞ্জেএ।

খুমন লাংবন থৌনিরোল : খুমন সলাই চাশিংনা পোকলেনবা লাইপু থৌনিরোল মতাইএ, অপোকপা খুমন লাইনা সলাইচাশিংবু ময়েংনা মহাইএ। তারো খুমন সলাইচাশিং! লাংবন থাগী থানুংকোলদা পী পাদি সলাইনা যূমলেন কারন লৌ অপোকপা হৈথা লৈথারোন তমজনা, খুমন অপোকপগী চরৈ তমজনা, চেঙবী ফাহৈ হৈজনা পোকলেম্বা মৈথাং কৎতুনা থৌখাই ও। সলাই চাদা নাওদাগনি। পোকলেন লাইগী থৌজাল কুবিবনে। লাংবন থানুংদা পুরোন পারোন পেরোনপু মকৌন্না লাংপন থানিনদগী থাশু ফাওবা হৈশোই ইপান তমএ। করি নোংকি য়াৱানো মহায়পতি, পুরোন পুথাং চাথাং পাথাং নাইপতি সলাই থৌ খাইনে। হৈশোই মাবু তমজবদি অশোয় অরান কোকপনে। লাইনা থৱায় পানবদা লৈফদে। মপুদা লৈরাং কৎপদি সলাই পুনশিবনে। পুরোন পারোন খরদি সলাই হেনথোইবা ফমলেন উৎপনে খঙও। য়াৱা অসি হায়দুনা অপোকপা ফম্বালদা হঞ্জিনখিএ। সলাই খুমননা থৌনিজৈএ।

অঙোম সলাই লাংবন থৌনিরোল : অঙোম সলাই নমু পোংনা পোকলেনবা লাই অপোকপা হৈথারোন লৈথারোন থাদুনা যূময়াই করন মতাইনা, খোইয়ূম পোকলেম্বগী চারৈ মতমনা, অপোকপা ফম্বাললোন মতাইনা সলাইদা হৈ, লৈ, সলাই সারেন, শীং, লা, লাইজ ইতমনা নোংপোক মায়ওন মতমনা পোকলেম্বা সলাইদা লাংবন থাদা থানুংকোনদা পুরোন পারোন্না নোংকুম থাদা থৌখাইএ। পোকলেম্বা লাইপু মকৌনা লাইশোন তিনসোন মতাইনা খোয়ুম। লিরেন মতাইজবা, পোকলেম্বা লাইনা পেনবিএ, চাথাং পাথাং নাইদুনা সুরোন পুরোন খঙপনে। অঙোম লাই ওইপা অপোকপা থৌসু থৌরম পাংবদি সলাই পুন্সিবনে। অসিনসু মদোমদে এ; লাংবপ থাদা কোরৌ লেংকা তমখ্রবা পুরোন পারোন কয়াবু সলাইচানা হৈশোই ইপান লাইজা ইরোননুংদা মাইওন নোংপোক মওন্না নুমিৎ শিংকুম থৌখাই পাংবদি পারেপ পুরোন তানবনে। অঙোম লাইগী তৌসু মঙম পাংবদি সলাই হেনপনে। নমু সলাই পুন্সিবনে খংও।

মোইরাং সলাই লাংবন থৌনিরোল : মোইরাং সলাইচাদি নমুপোংনা অপোকপা লাইপু লাংবন থানুংদা, মোইরাং লাইদি অপোক অশা লাইপু কৌএ, হৈথারোন লৈথারোন চরৈ ফীদা মলোন তমএ, মৈবী মৈরা মৈ থাল্লে। তরেৎ শেঞ্জা শেনকোংএ, হৈরি হৈপান হৈতমএ, সলাই ঙাংপা মতম এ, চেঙবী ফাহৈনরকলে। ইশেংজনা কৎচরে। অপোকলোনবু থৌখাইরে। পুরোন পারোন পোরোল (৩) পু মাঙওইনবনা মহায়জনা থৌখাই থৌসু পাংএ, অপোকপা লাইনা পেনবীএ, সলাই চাথাং নাইএ খংও! লাংপন থাদা মোইরাং ইতাইখোং নমু পোংদি সলাইনা হৈশোই লাংশোই ইপান তমজৈএ, পুথাং চাথাং নাইএ, পুরোন পারোন খঙএ। সলাই মশেল নুংশিনৈএ, মাংচোক ফামেন নাইএ খঙও, সলাই পোংদি অপোকপা লাই মতিক ময়াই হেনপনে, মীনা থৌনি পাংজবনি থৌরম মহৈ পীবনে খঙও। অপোক নুংলোন তাইএ, মোইরাং সলাইনা থৌনিজৈএ পোকলেম্বা লাইবু কোকনোনজৈএ, সলাই ফম্বাল ফংএ।

খাবা ঙানবা সলাই লাংবন থৌনিরোল : পোকলেম্বা লাইদি সলাই অপোকপনে মতিক ময়াই হেনপনে, মী পোংবু থৌজানপনে। কোরৌ মালেম তাইবা লাইদি অপোকপনে খঙও। খাবা-ঙানবা সলাই চানা অপোকপা লাইপু কৌদুনা থৌনিএ। অপোকপানা পেনবীদুনা মহায়এ, করি নোংগী সলাই চাদি পোংনা কৌপনো হায়এ, খাবা ঙানবা সলাই পোংনা কোকনোনজনা হনগৎচৈএ। লাংপন থাগী থৌসু হেনপা সলাই থৌখাই পীবীয়ু মহায়এ, অপোকপনা হোয়াইএ, লাংবন থাদা অপোকপা থোঙ হাংদুনা সলাইগী হৈথারোন লৈথারোন তম্মো, চরৈ ফিজেৎ পীও, চেঙবী ফাহৈ কৎলু মহায়এ, সলাইনা থৌখাই পাংএ, অপোকপনা নমু পোং খাবা ঙানবগী থৌনিবু থৌজানবিএ, লাংপন থাদা ইপা ইপু মকৌনা কোরৌ লংদাই থৌখাই পাংদুনা হৈরাং লৈরাং কৎতুনা লাইজা ঈশিং ঈখাইননা হৈশোই ইপান মতম্বদি সলাই চাথাং য়াইফৈএ, সলাই খাবা ঙানবনা লাংপন থাদা অপোক থৌখাই পাংবদি মহয় য়ানপনে খঙও।

সরাং লৈশাংথেম লাংবন থৌনিরোল : সরাং লৈশাংথেম সলাইনা পোকলেম্বা লাইবু থৌনিএ, সলাই অপোকপা সরাং লৈশাংথেম পোং সলাই চাবু ময়েংনা মহায়এনা। করি নোংগী য়াৱা লৈপনা পোকলেম্বা লাইওইপা থৌনি মপাংনা মকৌপনো মহায়এ। মদু নোংদা সলাই চাদি নমুপোংনা খুবাম চাংজৌ লৈতনা কোক নোঞ্জনা হনগৎচৈএ। পোকলেম্বা মপু শিদবনা সলাই চাদি সরাংবু থৌজানবীয়ু কুবিয়ুও, লাংপন থাজানুংদা থৌখাই মপুং মতাকপীও মহায়এ, অপোকপা লাই ওইপনা সলাইচাবু ময়েংনা মহায়এ, তারো সলাইও, তাইপঙ পানপা সলাইচাদি পোকপা শিপা, মপোক ৭ লৈপা লাইগী চাথাংনি খঙও, লাংপন থাদা পোকপা লাইদা সলাই থৌনিও। পাগী পারেপ তান ফংবা, পুগী পুরেপ তানফংজগে হায়না অপোকপা লাইদা থৌনিও, সলাই চাওবনে মীথোই কোক ওইপনে। ইপা পুরোন ৯ ইমা পুরোন ৭ হৈশোই ইপান তমজৌ-ও, পুরোন পারোন ফংবনে মহায়জা অপোকপা লাইনা, মগাই ফম্বালদা হনজিনখি। সলাইচানা থৌনিজৈএ।

মপুরেনদা সলাই ৭না হৈশোই ইপান থাবা : লাংপন থাগী থানিন মতুংদা শাগৈ সলাই তাক্তুনা নিংঙোল হৈশোই থিন্দুনা মীপুন্দুনা মপুগী লুক্লেন কৎপা নুমিৎ অসিদা থৌকাংবা হৈসোই ইপান তম্বগী ৱাপু হায়কে, হৈশোই লাংশোই লৈরাং লৈখন শুবা চেঙ লৈ মৈরা কৎতুনা নোংপোক ওন্দুনা শোনকনিএ, অহানবদা নুমিৎ থাবু কোক নোনজগনি। হাদা মপুরেন সলাই শিদবও; খোয়ুম নফমলেনদা য়াতারিবা পুরোন পারোন পিরেননে অহুমসু সলাই ৭না কোক নোঞ্জরিএ, কুমজা অসি সলাইচাদি অৱাং থোঙদা লৈজরিএ। মপুরেন শিদবা পোকলেম্বা মফমলাংদা লাংপন থাগী থানুংকোন অসি হৈশোই ইপান থা, মপুগী মফমদা সলাই ৭ মঙাং, লুৱাং, খুমন, খাবা ঙানবা, অঙোম, মোইরাং, সরাং লৈশাংথেম নশু নচাশিংনা পুরক্লিবা হৈরাং লৈরাং অসিনা হৈশোই ইপান তমজরিএ, লাইরমলেন্দা তিনখ্রবা পুরোন পারোন পীরেনশিংনা মাগী মাগী সলাইদা কৎচরি। কুবীয়ুকো মপুরেন্না নচা নশু শুথাংবু য়াইফ নুংঙাই তম্বীরম্মু। হৈ হয়া হয়ুম।

অসুম্না শোনবা লোইরগা লাইজ ঈশিংদা হৈশোই ইপানবু থাদোকপীয়ু। সলাই ৭ পূনশিনবনে খঙও।

মাগী মাগী সলাইদা হৈশোই ইপান থাবা : মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম, সলাই ৭না হৈশোই ইপান থাবগী ৱা হায়কে, হৈশোই শোইবা লোইরগা ধুপ থাউমৈ কৎকনিএ, মায়ওনদি নোংপোকনি। শুমাং নৎত্রগা মাঙ্গোন সলাই অদু হায়কনি। ঙসি কৌবা নুমিৎলোইদা পুরোন ৯ পীরোন ৭ মক্তা খুরুমজরি। হাদা খোয়ুম মপুরেন তাইবঙ পানবা সলাইগী ইপুথৌ ইপুবোক ইপা ইমা ইবেন (লৈখিদবশিংগী মমিং হায়গনি, তোঙান-তোঙান্না কৎকনি)। কোরৌ নোংসিদা ইপা ইপু ইবেন পলেম ইমানা কৎপনি। তাইবঙ পানবা মপু শিদবগী মফমদা ইপা ইপুনা তমজবনি। ঐহাক্তি অদুদগী থৌগঞ্জবনি। ঐনা কৎপা নত্তে, পুরোন পারোন পীরোন অহুমক্লা কৎপনি অসি হায়দুনা নুমিৎ কৌবা লাইবু খুরুমজদুনা হৈশোই ইপান থাগনিএ। অসিবু পম্থৌ মাগী সলাইদা হৈশোই ইপান থাবা কৌএ। সলাই পুনশিবনে খঙও। পুরোন পারোন খঙবনে।

'অশি থোঙ থিংবা কাউবীগনু' কোরৌ থক্তা য়েংদুনা!!

লাংবন থাশি সলাই অশিথোং থিংবা : লাংবন থাশি হৈশোই ইপান থাবা লোইপা নুমিৎলোইদা পোকলেনবা লাইদা তরা লুকলেন মথেল মকোই কৎতুনা হৈশোইনা মাংওইনা থৌরম মপাংবসু সলাই থৌপাং পুরোন পারোন থৌসু পাংবদি সলাই পুন্সিবনে খঙও। সলাই হৈশোই ইপান থাবা লোইপতি লাংপন থাতনি। লাংপন থাসু নুমিৎতা সলাই ৭না লাংপন মীতিন চাকখাং তরা মথেন মকোই লুকলেন কৎতুনা হৈশোই তমজবদি যূম লাইনিংথৌদা চেঙবী ফাহৈ (৩) হৈদুনা অনৌ অপেন মৈরা ধুপ লৈ অঙৌবা লৈচন ৭, দক্ষিনা ১ য়াওনা কৎকনিএ। হৈশোই নোংপোক ওন্দুনা ধুপ থাওমৈ থাদুনা লৈসু চেঙ য়াওনা কৎকনি। লৈখিদবা পুরোন পারোন্না মপুদা কৎকনি। (এন বি : অচং থোঙদা লৈবনা অশিবগী পোৎলম পীহৈদে)। থৌরাংজবনা মচা মশুনা থৌ কাংগনি। শোনবা লোইরগা নোংপোক্তা লৈবা তুরেল, পুখ্রিদা থাদগনি। কোরৌদা য়েংলগা হায়কনি, অশি থোঙলোন থিংলবনে। অচংথোঙ হাংলরবনে হায়দুনা যূমদা হঞ্জিল্লক্কনি।

(নুমিৎ খুরুমদুনা অশি থোঙ থিংবগীদি মথক্তা য়েংবীয়ু।)

অনা অয়েক তিংকোকচনবা লাইনিংথৌদা মৈরা হনকনিএ : থাশি থাশু নুমিৎলোইদি লাংপন থানি। নুমিৎলোই অসিদা হৈশোই তম্বা লোইখ্রবদা ইয়ূম ইরানয়াইদা হঞ্জিল্লক্তুনা লাইনিংথৌদা তমজরিবা পোৎলমশিং ধুপ থাওমৈ চুখত্তুনা, তাইরেন পুম্ফাইনা ইশেংগনি। য়াৱাদি :- লাইনিংথৌ ইপা ইবুঙো ঙসি কোরৌ নোংসিদি (লাংপনগী থাশুনি) হৈশোই তম্বা লোইপা নুমিৎনি। নুমিৎলোই অসিদা অশিবা লাই ওইপগী ইপানা লাইতাই মৈরা হনবীয়ু হায়না কোকনোঞ্জগনি। সে সে লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী ময়াথংনি। মৈরাসিনা ৱাখৈরবনি। লাইনা লাইদা তাইরবনি। মীনা মীদা তাইরবনি। অশি অচঙ খাইরবনি। অশি থোঙ থিংলবনি। অচংথোঙ হাংলবনি। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী ময়াথংনি। হৈরাং হৈশু তম্বদি সলাই পুন্সি নুংশাং চাহোং ঙাহোং পুন্সি নুংশাং তম্বীয়ুকো। নথানুংদা চেৎনা চান্না লাঙ্গোন্নবীয়ু। হৈ, হা, হয়া হয়া নে হয়ুম, হে হয়ারে।

(এন বি : মসি ঐখোয়গী লাইনিংথৌদা মৈরা হনদ্রবদি ফৎতবা ওইএ। ইপু ইপা কৌথদুনা তৌবা থৌরম ওইবনা মৈরা হনবদি অশি থোঙ থিংবা কৌবনে।

*অরান-অহুই য়াওরবসু পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি।* ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩

১। মীতৈ পুৱারীদা সনা হেরাচন্দ্রগী মিংদি মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি। ডাকু নিংথৌ হায়দুনা।
(ক) ইপুংসি হেরাচন্দ্র করম্বা মৈদিংঙুগী মচা ইবুংঙোনো?
(খ) অৱা লান্দুদা লৈবাক কায়বা হৌখিবদু ১৮১৯গী করি থাদনো?

২। "হেলোইনা মী পুই/মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপান অমদা লৈ।" ৱাফম অসি এম কে বিনোদিনীনা হায়রম্বনি। করম্বা লাইরিক্তা হায়বনো?

৩। "ঐদি/ফনা নঙনা পেমচা ওইদুনসু/নত্তে ঐদি নঙগী বোরাচাউবা/পুরেম্বনি ঐদি ঙাঙ্খৈলেমগী।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা রনবীর শারুংবনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "হিংবা শিববু ঐখোয়গী খূত্তা লৈব্রা/ইশা ইথন্তা হেক্তা শিগদ্রা?" পরেংশিং অসিনা 'য়েন্নিংথাগী য়েন্নিং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "নুংশি করি ওইরসিগে/নুজা ৱাখল থেনমল্লি/নুংশি নশুং লাংগীদমক/কাইখরেনে ঐগী থম্মোয়।" পরেংশিংসি য়াম্না মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।